# রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেলগী মনা ১৯ লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): রুপমহল থিএটরগী প্লাটিনম জুবিলি থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকপা ১৯শুবা রুপমল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেলগী মনা ১৯ থমদুনা ফেষ্টিবেল অসি লোইশিল্লকপদা লান্থোক্লগনি হায়রি।

ফেষ্টিবেল অসিগী লান্থোক্কদবা প্রাইজশিং অদুদি অয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ এৱার্দ বেষ্ট প্লেদা লান্থোক্কনি। এৱার্দ অসি অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী মচানুপী লিলাবতিনা কৎপনি অমসুং শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশীং তরা য়াওরি।

য়েন্দ্রেম্বম নবকুমার এৱার্দ, সেকেন্দ বেষ্ট প্লেদা লান্থোক্কনি। এৱার্দ অসি য়েন্দ্রেম্বম নবকুমারগী মচা অখিকুমার অমসুং অনিলকুমারনা কৎলকপনি অমসুং এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশীং নিপাল য়াওরি।

সোরেনশংবম নবকান্তা এৱার্দনা বেষ্ট দিরেক্টরদা পীরগনি। এৱার্দ অসি সোরেনশংবম নবকান্তগী লোয়নবী ইবেমহলনা কৎপনি অমদি শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশীং মঙা য়াওরি।

এম হরিদাস এৱার্দনা সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টরদা পীরগনি। এৱার্দ অসি এম হরিদাসকী মচা প্রেমচান্দনা কৎলকপনি অমদি শেল ওইনা লুপা লিশীং অহুম য়াওরি।

হিদংময়ূম ন্যুতনচন্দ্র এৱার্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্টতা পীরগনি। মনা অসি হিদংময়ূম ন্যুতনচন্দ্রগী মচা অচৌবা শর্ম্মনা কৎপনি অমদি শেল ওইনা লুপা লিশীং অহুম য়াওরি।

সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্টকী মনানা রুপমহল থিএটরনা কৎপনি। এৱার্দ অসিদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২ য়াওরি। লাইশ্রম নেত্রজিৎ এৱার্দ ফেষ্টিবেল অসিগী বেষ্ট এক্টরদা পীগনি। এৱার্দ অসি কমলকিশোরনা কৎলকপনি অমসুং শেলগী মনা লুপা লিশীং অহুম য়াওরি।

রাজকুমার বিজয়স্না এৱার্দনা সেকেন্দ বেষ্ট এক্টরদা লান্থোক্কনি। এৱার্দ অসি রাজকুমার বিজয়স্নাগী মচানুপী রাজকুমারী অঙৌস্নানা কৎপনি অমদি শেল ওইনা লুপা লিশীং অনীগী মনা য়াওরি।

খ্বাইরাকপম গেরি এৱার্দ বেষ্ট ষ্টেজ অমসুং লাইটতা লান্থোক্কনি। এৱার্দ অসি লৈখিদ্রবগী মশুনুপা বিশ্বামিত্রনা কৎপনি অমসুং এৱার্দ অসিদা শেলগী মনা লুপা লিশীং অহুম য়াওরি।

এল বিরেন এৱার্দ সেকেন্দ বেষ্ট ষ্টেজ অমসুং লাইটতা পীরগনি। এৱার্দ অসি এল বিরেনগী লোয়নবী ডা. জমুনানা কৎপনি অমসুং শেলগী মনা লুপা লিশীং অনী য়াওরি। চান্দম গোপাল এৱার্দ বেষ্ট ম্যুজিক্তা পীরগনি। এৱার্দ অসি চান্দম গোপালগী লোয়নবী একাসিনি অমসুং য়ূমলেম্বম রঞ্জনানা কৎপনি। এৱার্দ অসিদা শেলগী মনা লুপা লিশীং অহুম য়াওরি।

লাইশ্রম ইবোপিশক এৱার্দ সেকেন্দ বেষ্ট ম্যুজিক্তা পীরগনি। এৱার্দ অসি মচাশিংনা কৎলকপনি অমদি শেলগী মনা লুপা লিশীং অনী য়াওরি।

সী ঐচ নোয়োনচান্দ এৱার্দ বেষ্ট মেক-অপতা পীরগনি। এৱার্দ অসি সী ঐচ নোয়োনচান্দগী মচা অরুন অমসুং মচিন মনাওশিংনা কৎপনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশীং অহুমগী মনা য়াওরি। রুপমহল থিএটরনা কৎপা এৱার্দ অসি সেকেন্দ বেষ্ট মেক-অপতা পীরগনি।

শৌগাইজম নবকুমার এৱার্দ বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেদা পীরগনি। লুপা লিশীং অহুমগা লোয়নবা এৱার্দ অসি শৌগাইজম নবকুমারগী মচানুপা বলরামনা কৎপনি। আর কে দোরেন্দ্রো এৱার্দ সেকেন্দ বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেদা পীরগনি। এৱার্দ অসি রুপমহল থিএটরনা কৎপনি অমদি শেল ওইনা লুপা লিশীং অনীগী মনা য়াওরি। ও অশোক সিংহ এৱার্দ বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্টতা পীগনি। এৱার্দ অসি ও বিরমঙ্গলনা কৎপনি অমদি এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশীং অনী য়াওরি।

রুপমহল আর্টিষ্ট দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০১৮ অসিদা দ্রামাগী লূপ ১১না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লি অমদি কম্পিটিসন অসিগা মরী লৈননা রুপমহল থিএটরগী চ্যেরমেন কে হেরামনিনা ফোঙদোরকপদা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল হায়না মীংথোন্দুনা পাঙথোক্লিবা অসিগী পান্দমদি মণিপুরদা লৈরিবা থিএটরগী লূপ কয়ানা শরুক য়ামিন্নবগী মফম অমা থমদুনা লাকচবনি।

হন্দক পাঙথোক্লিবা ১৯শুবা ফেষ্টিবেল অসি ইম্ফাল ময়োলমক্তদা লেংদনা থম্বীরম্লবা লৈখিদ্রবা রুপমহলগী লাই গুরুশিংবু ইকায়খুম্নবা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা পাঙথোকচবনি।

মমাঙগী চহী খরদদি কেটেগোরি অমত্তগী ওইনা রুপমহল থিএটরনা পাঙথোক্তুনা লাকখি। অদুবু থিএটর অসিনা লূপ কয়াগী য়েংজরগা কুমজা ২০০৭তগীদি শিথরক্লবা ত্রেদিসনেল ফোর্মশিংগী ওইবা সমাজিক, ফোক, ইতিহাসিক অমসুং পৌরানিক্কী ওইনা কেটেগোরি ৪দা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। দ্রামাগী লূপশিংনা মখোয় মখোয়গী অপাম্বদা ফেষ্টিবেল শরুক য়াবা য়াননবা মফম থমখি।

ফেষ্টিবেল অসিগী নুংগী ওইবা মরুওইবা পান্দমদি নোংমা নোংমগী শিথরক্লবা ত্রেদিসনেল দ্রামাগী আর্ট ফোর্মশিং অসিবু মণিপুরদা লৈরিবা থিএটর লূপ পূম্নমক্কা খূৎশম্নরগা অমুক হন্না হান্নগুম হিংগৎহন্দুনা ইমা লৈবাক্কী শোখরক্লবা হীরম খুদিংমক ষ্টেজদা উৎচদুনা মণিপুর ইমাগী থৌগল তৌজবনি।

মতমগী মতুং ইন্না খুদোংচাবা ফংজরবসু মণিপুর খক্তগী নত্তনা ইন্দিয়াগী অমদি মালেমগী ওইনা ফাওবা থিএটর ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# প্রভিস চনম মীশিগী লংলা লংজিন পুথোকউ হায়না তকশিন্দুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): নোইদাদা মফম খঙদনা লৈখিদ্রবা মতুংদা অশিবা হকচাং ফাওবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নরকখিদ্রবা প্রভিস চনম মীশিগী লংলা লংজিন পুথোকউ অমদি ইনি দয়া গভর্ণমেন্টনা মীশি অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দবনু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎকা মরী লৈননা ঙসি উরিপোক অচোম লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা প্রভিস চনমগী খোঙজাদা নুপীশিংনা মচিন্দা ফি অমুবা পুন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমম্লে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নুপীশিং অদুনা মীফম অদু লোইবা মতুংদা রেল্লি অমা চৎপা হৌরকপদা উরিপোক পোলেম লৈকায়দা পুলিসশিংনা থিংদুনা মখা তানা রেল্লি চৎহনখিদ্রে।

প্রভিস চনম মীশিগী মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীগী কনভেনর লাইময়ুম শিশু শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা মণিপুর হায়বা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা ষ্টেট অসিগী মপান্দা শিবা মতমদা ঙসি ফাওবদা লংলা লংজিন পুথোক্ত্রি। ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অচুম্বা ৱায়েল চথবিদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা হেন্না পেন্দবা অমদি অশাওবা ওইহল্লে। মরম অদুনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না প্রভিস চনমগী অচুম্বা ৱায়েল পীবিদবা অমদি সী বি আইদা শিন্নদবা অসিগীদমক্তা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চঙশিনবনি।

হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদি অমগা অমগা হন্দোক হঞ্জিন তৌনদনা লৈরে। অচুম্বা ৱায়েল কনানা পীগদৌরিবনো হায়বদুগী মতাংদা চঙম্বা লৈহল্লে। কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ২৯দা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা সী বি আইদা শিন্নরে হায়বা চে অমা থোকখি। চেরোল অদুদা ফোর্মেট অমা য়াওরিবা অদুদি থৌদোক অসি থংনবা ষ্টেটশিং হরিয়ানা, দেল্লি অমসুং রাজস্থানসু চেন্নবা য়াওবা মরম্না য়ু পি পুলিসনা থিগৎপদা নাতে চাদ্রে হায়বা অসিনি।

চেরোল অসিদা খ্বাইদগী ঙক্লিবসিনা মতম য়াম্না শাংনা মাঙহল্লুরবা মতুংদা কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর থাদা য়ু পি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা থোরক্লিবা চেরোল অসিনা য়ু পিগী হৈশিংলবা ত্রেনিং তৌরবা টিম ময়াম অমা লৈ। মরম অদুনা মখোয়না থিগৎহনবীরো, ঐখোয় সী বি আইনা থিগৎপদা খুদোং চাদে হায়বা অসিনি।

ৱারোল অসিদা কনানা থবক তৌগদৌরিবনো, য়ু পি গভর্ণমেন্টনসু য়েংদুনা লৈরি। অমরোমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু খঙজিন উশিন্নদনা লৈপ্লে। মসিদা কনানা পাউখুম পীগদৌরিবনো হায়বা নাখৈ শেংবা ফীভম অমদা থম্বীদুনা মীহাৎপা মীওইশিং অদু পুথোকহন্দ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট য়েংদুনা কেবিনেট মীফম ফমদুনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ৬তা ৱারেপ লৌদুনা পাস তৌখিবা ফোরৱার্দ টু দি ও পি টি, সী বি আইদা থাখিববু নাচুংদনা লৈবা অসিসু অঙকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট অমা নৎত্রব্রা হায়নসু মহাক্না মখা তানা হংখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি সী বি আইনা করিসু নাচুংদনা লৈবা অসিদা মীয়াম্না পেন্নদ্রে। প্রভিস চনমগী মীশি অসি সী বি আইদা শিন্নদুনা থিগৎহনবীয় হায়না তকশিনবনি। মমাঙ চহীগী নবেম্বর ২২দা অমুক সী বি আই লক্নৌ ব্রাঞ্চতগী কেস অসি পায়বা ঙম্রোই হায়না চে অমা অমুক হল্লকখ্রে। মসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না মমাঙ চহীগী এপ্রিল ৩তা মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা য়ু পিগী স্পিসিয়েল ক্রাইম ব্রাঞ্চতা শিন্নখ্রে হায়বা অদুগী মতুংদনি হায়খি।

মণিপুরদা সী বি আই লৈবগী কান্নদ্রে চৎখ্রো হায়বা খোঙজংসু চঙশিনখ্রে। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা ইমা লূপশিং অমদি মহৈরোয় লূপ কয়াগী মখল কয়াগী খোঙজং লাক্কনি হায়বগী মীপাইবা লৈরি। মসিদসু নত্তনা য়ু পিদা পুথোকপা পোৎ চৈশিং মণিপুরদা পুশিল্লকপা থিংনবা ৱারেপ ফাওবা লৈরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## জর্নেলিজম কোর্স তম্নীংবশিং কৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): দিরেক্টরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ১৫নিগী ন্যুজ রিপোর্টিংগী সোর্ট টর্ম কোর্সতা শরুক য়ানীংবা কেন্দিদেটশিংনা এপ্লিকেসন থারকপা য়াগনি হায়রি।

খা মণিপুর কোলেজ কক্চীং অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কংলাতোংবীদা লৈবা দামদৈ খৃষ্টান কোলেজদা মথংশিংনা থা অসিগী ৭ অমসুং থা অসিগী ২১দগী হৌনা পাঙথোক্কদবা কোর্স অসিগীদমক্তা মোইরাংখোমদা লৈবা দি আই পি আরগী হেদক্বার্টর নৎত্রগা খা মণিপুর কোলেজ অমসুং দামদৈ খৃষ্টান কোলেজগী প্রিন্সিপালগী ওফিসতা চেরোল পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

ন্যুজ রিপোর্টিংগী কোর্স অসি শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিং ক্লাস টুয়েল্ভ পাস তৌবা ওইগদবনি অমদি মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা কক্চীংগী ওইনা থা অসিগী ৫ অমসুং কাংপোকপীগী ওইনা থা অসিগী ১৯দা ওইগনি। অকূপ্পা মরোল মোইরাংখোমদা লৈবা দি আই পি আরগী ইন্সটিট্যুট ওফ জর্নেলিজমদগী ওফিস মতমদা খঙবা য়াগনি হায়রি।

## য়ু জিগী কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): হেদক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী নোনে বট্টালিয়ন অমসুং কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না মাঙজৌন-না পাউ ফংবদগী কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমগা পূন্না থি-হুম্বগী থবক চথবদা জেদ য়ু এফকী সেল্ফ ষ্টাইল লেফটিনেন্ট কর্নেল অমা ঙসি ফারে। নমচীং ভিলেজদা লৈবা জেদ য়ু এফকী সেল্ফ ষ্টাইল লেফটিনেন্ট কর্নেল অদুনা ফোঙদোরকপদা মহাক কুমজা ২০১১গী ওগষ্ট থাদা লালহৌলূপ অসিদা য়াওরকখি অমসুং জেদ য়ু এফকী এক্টিভ কাদর অমনি। নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা লোনা য়াদবা থবক থৌরম কয়া চথবদা শরুক য়ারকখি হায়না ফোঙদোরক্লি। ফারবা জেদ য়ু এফকী কাদর অদু মখা তবা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

## রিজল্ট হায়দোকপীয়ু : জে এ সী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ রি রিক্রুটমেন্ট কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০১৬ (কে জয়ন্ত) বেটচকী রিজল্ট লাউথোকপীনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়না ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ রি রিক্রুটমেন্ট কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০১৬ (কে জয়ন্ত) না ফোঙদোরক্লি।

জে এ সী অসিগী সেক্রেটরি মাইবম রোমেসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মতম কুইনা হায়দোক্তবনা মরম ওইরগা কেন্দিদেটশিং অসি ৱাবগী খম থেংলে অমসুং কেন্দিদেটশিংগী লম্বী লম্মাংনরে। দি পি সী অসিগী রিজল্ট লাউথোক্তবনা মরম ওইরগা কেন্দিদেট অনীসু থম্মোয়গী লায়নানা নাদুনা লৈখিদবগী তুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লক্লোই হায়বা ঙমদে। দি পি সী অসিগী কেন্দিদেট ৮২৮৭গী পুন্সি কনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্না য়ারোইদবা খোঙজং অমত্তা জে এ সী অসিনা চঙশিনখিবা লৈত্রি। অদুবু মতম শাংনা অৱাবা মায়োক্নরক্লবা কেন্দিদেটশিংগী ৱাকৎ অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তাবীদ্রবদি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হৌরক্লোই হায়বা লৈতে। মরম অদুনা মাঙ অমসুং তুংগী য়েংবীরগা অথুবা মতমদা রিজল্ট লাউথোকপীনবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

অমরোমদা, থা অসিগী ৬তা কেন্দিদেট অমসুং গার্জিয়ানশিংগী ওইবা মীফম অমা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ১০ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা কেন্দিদেট অমসুং গর্জিয়ানশিংনা শরুক য়ারনবা ৱাফমসু খঙহল্লক্লি।

## কিশোরচন্দ্র ফাজিনববু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচ এন এস): জর্নেলিষ্ট কিশোরচন্দ্র ৱাংখেম্না মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১৭তা মহাক্কী ফেসবুক একাউন্টতগী ৱাফম খরা ফোঙদোক্লুবদা সেন্তর অমসুং ষ্টেটকী বি জে পি গভর্ণমেন্টনা ফাজিন্দুনা থমখিবগী থৌওং অসি য়ানীংদে হায়না ইন্দিয়ন এসোসিএসন ওফ লোয়রস মণিপুর চেপ্তরনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি গভর্ণমেন্ট অমসুং রাষ্ট্রিয় শ্বয়ম সেবক শঙ্ঘ (আর এস এস) না মণিপুরগী তোপ তোপ্পা পুৱারী অমসুং অখন্নবা আইদেন্টিটিগী মরমদা খন্দ্রে। লৈঙাক্লা ঝানিগী রানি লক্ষমিবাইগী মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লুবা ৱারেপ লৌখিবা অসি মণিপুরগা করিসু মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকখিবনি। পাউমী অসিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু হিন্দটবা পোলিটিক্সকী তুং ইনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাউমী অসিনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু হিন্দটবা পোলিটিক্সকী অনিংবা অপাম্বগী মতুং ইন্না চৎপা লুচিংবা অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২১দা মণিপুর পুলিসনা মহাকপু সেদিসনগী চার্জদা ফাজিনখি অমসুং চীফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টতা মহাকপু বেলদা থাদোক্লুবা পীখৎলকপা চেরোল অদুদা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ২১দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মণিপুর পুলিসনা মহাকপু ফাজিনখিবনি অমদি মমাঙ চহীগী নবেম্বর ২৬তা মহাক্লা সেদিসিয়স ওইবা ৱারোল কয়াবু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ৱাহৈনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ অনীগী মরক্তা য়েক্লবা শেমগৎপগী ৱাফম লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

হ্যুমেন রাইটশিং, ফন্দামেন্টেল রাইটশিং ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা অদুগী মতুং ইন্না ফ্রীদম ওফ মিদিয়া পার্সন, ফ্রীদম ওফ স্পিছ অমসুং মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইট শেংনা মৎপনি হায়না মরাল শিরক্লি।

## এন আই টি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): রেদ সিল্ড দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা লৈমখোংগী খিসা বোইজ হোষ্টেলদগী নুপামচা ২০না শরুক য়াগদবা নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর অমা ঙসি রেদ সিল্ড দিভিজনগী জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিংনা লমথাখ্রে।

নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর অদুদা শরুক য়ারিবা নহা ওইরিবা নুপামচাশিং অদু মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদগী লাকপশিংনি। নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর অদুনা আগ্রাগী মরুওইবা পুৱারীগী মফমশিংদা চৎকনি অমসুং লৈবাক অসিগী কোনুংদসু চৎতুনা অঙাংশিং অদুদা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংশিং অমদি কল্চরেল হেরিটেজগী মরমদা খঙহনগনি। টুর অসি অঙাংশিংবু লমদম অসিগী মীয়াম, লোল, আর্কিটেকচর অমসুং ইন্দিয়াগী ইনাকখুল্লবা পুৱারীবু খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়না পি আই বি দিফেন্সৱিংগী চেরোল অমনা হায়রি।

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর হ্যুমেন রাইটস ওর্গেনাইজেসন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা মরুওইনা য়াওরিবা ৱারোলশিংদি ইন্দো ম্যান্মার বাউন্দরিগী ফাইনেল দিক্লারেসন অমদি কবো ভেল্লি ইন্দিয়াগী টেরিটোরিদা অমুক হন্না পূনশিনবগী ৱাফম য়াওরি। কুমজা ১৮৩৪দা ত্রিটি ওফ য়ান্দাবো ১৮২৬কী আর্টিকল থ্রীগী মতুং ইন্না কুমজা ১৮৩৪গী জন্যুৱারী ৯দা এগ্রিমেন্ট অসিগী মখাদা বর্ম্মাদা পীথোকখি। মদুগী কম্পেন্সেসন ওইনা মতম অদুদা বর্ম্মা গভর্ণমেনটনা থা অমদা সিকা লুপা ৫০০ পীবা হায়না য়ানখি। হৌজিক্কী শেল থুমগী ভেল্যু মতুং ইন্না কুমজা ১৮৩৪দগী পারকপদা অপিকপা শেনফম ওইনা চহী অমদা লুপা ক্রোর লিশীং ৮০গুম্বা ওইরগনি হায়রি।

অসিগুম্বা স্কৱার মাইল লিশীং তরেৎ লোমগী ওইবা লম অসি অমুক হন্না মণিপুরদা পীবিয়ু হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস ওর্গেনাইজেসনগী সেক্রেটরি ডা. এন শান্তকুমার অমসুং এদভাইজর এন জি নোংয়াইনা খূৎয়েক পীবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

# ভারতিয়া মজদুর শঙ্ঘনা শৌগৎলোই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): ভারতিয়া মজদুর শঙ্ঘগী ষ্টেট লেভেলগী মীফম থা অসিগী ৩গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা পাঙথোকখিবা অদুদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না থা অসিগী ৮ অমসুং ৯দা মণিপুর শিনবা থুংনা ত্রেদ য়ুনিয়নশিংনা চথগনি হায়রিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি শৌগৎলোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

ভারতিয়া মজদুর শঙ্ঘগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সনাতোম্বীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা লমদম অসিগী ওর্গেনাইজ অমদি অন ওর্গেনাইজ ৱার্করশিং লোয়ননা লৌমীশিংদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা কান্নবা ফংহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়রি।

য়ু পি এ লৈঙাক লৈরিঙৈদগী হৌরকখিবা নেসনল পেন্সন স্কিম অসি পেন্সন ফন্দ রিগুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা চহী কয়া লাক্লবনা মসিবু নৌহৌনননা হোংদোক্কদবনি হায়বসি ওইথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। ষ্টেট লেভেলগী মীফম য়াওবা লাকখিবা বি এম এসকী নেসনল সেক্রেটরি এন তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিয়নগী থবক তৌগে হায়রবদি তশেং তশেংনা থম্মোয় শেংনা য়ুনিয়নগী থবক তৌগদবনি। পোলিটিকেল অমদি য়ুনিয়ন অনী অসিদি ঈশিংগা থাওগগুম্বনি। পোলিটিক্স তৌবশিংনা তৌবা য়ুনিয়ন্দগী লৌমী শিন্মীশিংনা লাপ্না লৈবীগদবনি। কনা কনাগুম্বা খরনা অমদি পোলিটিকেল পার্টি খরগী কান্নবগীদমক্তা লৌমী-শিন্মীশিং খূৎলায় ওইনা শীজিন্নগে খল্লিবা মীওইশিংদগী চেকশিনবীনবগী তানফম য়ৌরক্লবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কনাগুম্বা খরনা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা লীংখৎপা য়ুনিয়নশিং মতম লোইশিল্লক্লবা অমনবা ইস্যুগুম্বনি। ঙসি লমদম অসিগী লোইশঙ-লোইশঙশিং মাগী মাগী য়ুনিয়ন পরম চুম্না লীংলবা লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিশিংসু মাগী মাগী য়ুনিয়ন লৈরবতদা লৌমী-শিন্মীশিংগী য়াইফনবা তৌজবা ঙল্লক্কনি। অফবা লৈঙাক লৈহনবদা অফবা লৌমী শিন্মীশিংগী য়ুনিয়ন মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

শিন্মীশিংগী য়াইফ লম্বীগী লম পীরিবা অসি বি এম এস মণিপুর ষ্টেটনসু মসিগা পূন্না চৎমিন্নরিবা ত্রেদ য়ুনিয়ন ২৩ হেনবনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি লৈবাক্কী চাওখৎ লম্বী, শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং পীগদবা ওইবনা পূক্লিং থৌগৎলোই অমদি শৌগৎলোই হায়রি।

মালেমগী লমজেল য়াওদুনা মাঙজিল থারক্লিবা ইন্দিয়াদা লৈরিবা লোয়ননা ত্রেদ য়ুনিয়ন তৌরিবা কয়ানা চাওখৎখ্রবা মীরৈবাক কয়াদা চৎনরিবা ত্রেদ য়ুনিয়নশিং নৈনবা, মখোয়গী মরমদা খঙদবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈরক্লবনি হায়রি।

ইরৈপাক ইরমদম অমদি মালেমদা শৈথানফম ওইহন্নবা পুকচেল তিংনা লৌমী শিন্মী পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নবা হায়বসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা লৈরিবা সিটিজন খুদিংমক্কী তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাংনি খল্লবতদা ৱাত্ত-পাদবা, মরা তপ্পা, অফবা লৈঙাক, ঈং-তপ্পা লৈঙাক লৈগদবনি। মতম অদুতদা লৌমী-শিন্মীগী খূৎশুমল অমদি রাইট চপ চানা ফংহনবা ঙমগনি হায়বসি বি এম এসকী থাজবা অমদি পান্দম ওইরুবনি।

পাল্লিবা লৈঙাক্লসু মসি খঙনা থবক পাঙথোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজবগা লোয়ননা লৈঙাক্লসু চথগনি হায়রিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মীয়ামগী লন-থুম মাঙ-তাকহন্দনবা, শিন্মীশিংদা মথৌ নিংথিনা তৌজবা ঙমহন্নবা মতিক চাবা সিক্যুরিটি অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীনবা আপিল তৌরক্লি।

# ‘লৈঙাক্লা চাওখৎ থৌরাংদা মীচং মীখায় নাইবা লৈতে’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এনা মতম অদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা শেনফম কয়া কায়থোক্তুনা শাখিবা অদুগা এম পি ইলেক্সন নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা মীয়ামদা চাওখৎ থৌরাং তৌরি হায়বা য়ানবা শঙ্গাবগী থৌরমশিংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অসিবু হুন্দুনা ঙাঙ শকপা অসি এ সী অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা লৈঙাক্লা ইন্থোকপগুম ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি এ সী অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা পূক্লিং চঙদবগী ৱাঙাঙনি হায়না বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দল কম্মিটিনা মরাল শিরক্লি।

মন্দল অসিগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ নন্দোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা এ সী অসিদা পোলিটিকেলগী খেন্নবা থমদনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলক্লি। ষ্টেট অসিদা উজ্বালা স্কিমগী মখাদা বেনিফিসরি ১৪৫০দা লেম্না গ্যাস কনেক্সন ফংহনখ্রে।

ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী মখাদা ফিশাবী ৫৫দা ফিশাকোল ফংহনখ্রে। লোয়ননা এ সী অসিগী মফম ৬তা থা ৪/৪গী ওইবা টেলরিং এন্দ কটিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা ত্রেনি ২৭০দা সিৱিং অমদি এম্ব্রোইদরি মেছিনশিং ফংহনবা ঙমখ্রে। ইম্ফাল শগোলমাং রোদকী লম্বী শেম্বা লোইখ্রে। পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লম্বী কয়ামরুম শেম শাবগী থবক চথরি। ইকৌগী সস্পেন্সন ব্রিদজ অসিগী আর সী সী ব্রিদজদা ওনখৎতুনা লুপা ক্রোর ৬ চঙনা শানবা টেন্দর লোইখ্রে।

এ সী অসিগী অনৌবা স্কুল শঙ কয়া শাবীখ্রে। লমগী চয়েৎনবা মরম ওইদুনা শাবা হৌদ্রিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাংগী কেস ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টতা থাদখ্রে অমদি কেস অসি হেক লোইবগা থবক হৌনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেম শাদুনা লৈরি। মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা ফঙ্কসন তৌদনা থল্লম্বা আর এল আই স্কিমশিং নৌনা এক্তিভেসন তৌনবা গভর্ণমেন্টনা থবক লৌখৎলে। আই এফ সী দিগী মখাদা ইরিগেসন কেনেল কয়া হাংদোকখ্রে। শগোলমাংদগী মাঙখিবা এস দি সী ওফিস, এগ্রিকলচর ওফিস, ফোরেষ্ট ওফিসশিং লৈঙাক অসিনা অমুক নৌহৌননা থম্নবা মীৎয়েং চঙলি অমদি হান্না লৈরমদবা ভেটিরিনরি ওফিস শগোলমাংদা শাবা লোইরে।

এ সী অসিগী ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং পায়খৎতুনা অনৌবা লৈঙাক অসিনা ঈশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংগী মতেং ওইনা এ সী অসিগী অহল ওইরবা মীওইশিং লুখ্রাবীশিং, মীমান্নদ্রবশিং অমদি য়ূম লৈজদবশিংগী য়ূম শাবনচিংবা থবক কয়া লৌখৎলে।

এ সী অসিদা গো টু ভিলেজ প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা মীয়ামগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংগা হকথেংননা উনদুনা খুঙ্গংগী অৱাৎ অপা নৈনবা থবকসিংবসু এ সী অসিদা চথরি। এ সী অসিগী চাওখৎপা অমদি মীয়ামগী পুন্সিগী মহিং ফগৎহনসি হায়রবদি হীরম খুদিংমক্তা মপূং ফাহনবা ঙম্নবা অনৌবা মীৎয়েং, অনৌবা পোলিসি চঙই। মতমগা চুন্নদবা ৱাখলদা গভর্ণমেন্টকী চাওখৎ থৌরাংশিং অসি উবা ঙমদবনি হায়বসি মুন্না খঙদবনি হায়রি।

TODAY

HOUSIE BUMPER DRAW

TODAY

In aid of Annual Fund Drive
Org. by: MPAS Estd. 12th Dec. 2015
Imphal West District Regd. No. 787/1989

TICKET RATE ₹1500/- ONLY

Date & Time
5th January 2019
at 5.30 p.m.

Housefull 6 LACS

1st Housefull: 3 LACS
2ndHousefull: 2 LACS
3rd Housefull: 1 LACS

Quick 5 : Rs. 30,000/-
1st Line : Rs. 30,000/-
2nd Line: Rs. 30,000/-
3rd Line : Rs. 30,000/-
Star : Rs. 30,000/-

1st MINI BUMPER
Ticket Rate 800/-
7 Housefull Activa 5G

2nd MINI BUMPER
Ticket Rate 300/-
Housefull
1 LACS

Venue : Pishum Thong Ningom Leirak Community Hall

HL-P/2924/5

TODAY

TODAY

BUMPER HOUSIE DRAW

TICKET RATE
₹ 2500/-

IN AID OF FUND DRIVE

TIME : 3:30 PM

THE UNITED YOUTH ORGANISATION (UYO)
Singjamei Wangma Bheigyabati Leikai
Regd. No. 1359 of 1974

Ticket paibikhraba membershingna pung 3 gi mamangda lakpiduna Ticket Original Onthokpiyu.
Housie Asi matam chana houba ngamnaba mateng pangbiyu.

PRIZES :
₹8 Lacs

MINI BUMPER
TICKET RATE
₹ 600/-

ACTIVA 5G
1st 2nd 3rd 4th 5th

DATE : 5 JANUARY 2019 (SATURDAY) (SINGJAMEI THONGKHONG
VENUE : SINGJAMEI BHEIGYABATI LEIKAI COMMUNITY HALL

HL-P/2922/5